ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur



খাঙবোক অপূনবা মৈরা পায়বী লূপনা অথিংবা থমদুনা ফাগৎলকপা লগাও মরূ অমসুং লাইয়ুমশিং ঙরাং খাঙবোক লম্লোং কৈথেলদা পুথোরক্তুনা মীয়াম মমাঙদা মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখিবা

লৌশিং পূক্কে : ঐখোয়না তূম্বা হৌগৎলকপদা চা থকপনা ... লামায় ২
লামায় ৪ পূন্সিদা থেংনরকপা চীফ মিনিষ্টরশিংগী নীংশিং ৱারী খরা!
য়ুনিভর্সেল চিলড্রেন'স দেনা লাকপদা - ঐখোয়গী ... লামায় ৫
লামায় ৬ 'ইন্দিয়াদগী কুকি-নার্কো টেররিষ্ট মরূ ফংনা মুখৎলসি'
দেল্লিগী নুংশিৎ নোংমদা চুরূপ ৪৯ থকপগা মান্নরে... লামায় ৮
লামায় ১০ ফিনস্বিম্মিং চেম্পিয়নশিপকী রিলে স্বিম্মিংদা...

কোকোমিনা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুংদা লম্ফেল পাৎতা লৈবা চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী ওফিসকী থোঙ কোকোমিগী ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টনা ছো লোনশিনখিবা



Vol. 48, Issue No. 226 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈ ১৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, November 19, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### হকচাং মশীং শুনা ফংলে, পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌবা হৌরে

# কুকি টেররিষ্টশিংনা ফারগা পুখিবা মীওই ৬কী মনুংদা ৱাংহৌবা লাইশ্রম হৈতোম্বীগী হকচাংসু বরাক তুরেলদগী ফংলে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১১গী নুংথিলদা বোরোবেক্রা পুলিস ষ্টেশনগী কেম্পসতা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌরকখিবা পীক্লিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩ কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ চিন্দোলদা নমদুনা ফারগা পুখিবদগী মখোয়গী খোঙ্গুল লীরিঙৈগী চৈরক্তা মখোয় ৬কী মনুংদগী মথংশিংনা হকচাং ৩ অমসুং ২ মথং-মথং বরাক তুরেলগী তোঙান-তোঙানবা হিদেনশিংদগী ফংদুনা সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী মোর্চ্যুৱরিদা পুদুনা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌরক্লবা মতুংদা ঙসি নুংথিল ৱাংহৌরিবা মশাগী চহী ২৫ খক্তা শুখিবী লাইশ্রম হৈতোম্বী, মপুরোইবা এল হেরোজিৎ (মোধুপুর) গী হকচাংসু কছারগী লখিপুর পুলিস ষ্টেশননা কোল্লিবা সিঙ্গরবন্দ পার্ট ৪গী 'নুঙ্গাই' হায়না খঙনবা তুরেল অসিগী মফম অমদগী ফংখ্রে।

লৈখিদ্রবীগী হকচাং অদু তুরেল অসিগী ঈশিংদা তাওদুনা লৈরম্বদগী তুরেল অসিদা হি শীজিন্নদুনা ঙা ফাবা খুঞ্জাশিংনা থেংনরকখিবনি।



কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাখিবা লাইশ্রম হৈতোম্বীগী হকচাং বরাক তুরেলদা তাওথরকখিবা

মখোয়না পাউ পীরকপদগী লখিপুর পি এসতগী পুলিস পর্সনেলশিং লাক্তুনা মহাক্কী হকচাং লৌখৎলবা মতুংদা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌনবগীদমক সিলচর মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা পুখ্রে হায়রি। ফাদুনা পুখিবা মীওই ৬মক্কী হকচাংশিং ফংখিবগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মখোয় তরুকমক্কী হকচাংশিং অদু লখিপুর পুলিস ষ্টেশননা কোনবা জ্যুরিশদিক্সনগী মনুংদগী ফংখিবনা পুলিস ষ্টেশন অসিনা অহানবগী ওইনা 'অন-নেচরেল দেথ' (য়ু দি) কেস ওইনা লৌখৎলে হায়রি।

কেস অসি লৌখৎলবা মতুংদা ওফিসল ওইনা হকচাং তরুকপু আইদেন্টিফাই তৌদুনা ক্লেম তৌরনবা অইবা চেরোল অমা পুলিস ষ্টেশনশিংদা থারক্লবা মতুংদা ক্লেম তৌদুনা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন লোইরবা মতুংদা মাগী-মাগী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নবা থৌরাং লৌখৎখ্রে হায়রি। অদুম ওইনমক থবক অসিনা পুলিস ষ্টেশন অসিগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং ওইরবসু ঙরাং ফাওবদা ফংখিবা হকচাং ৫গীদি মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা আইদেন্টিফাই তৌখিবগা লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেশন তৌখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবদদি লখিপুর পুলিসনা হকচাংশিং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নরকখিদ্রি।

# ষ্টেট মেছিন্নরি ফেল ওইবদগী মীচম ৬ কনবা ঙমখিদবনি হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মীওই ২না ৱাকৎলক্লে

### হায় কোর্টনা চীফ সেক্রেটরি, কম্মিস্নর/সেক্রেটরি(হোম), দি জি পি, সিক্যুরিটি এদভাইজর, হোম মিনিষ্ট্রিগী সেক্রেটরি অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী এস পিশিংদা নুমিৎ ৪নিগী মনুংদা 'এফিদেভিটস-ইন-রিপ্লাই' পীরক্লবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১১দা জিরিবামগী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা জকুরাধোরদগী থা ৮গী অঙাং য়াওনা পীক্লিবা অঙাং অহুম অমসুং নুপী অহুম ফাদুনা পুখিবগী থৌদোক অদু ষ্টেট মেছিন্নরিনা মখোয়গী পাঙথোকফম থোকপা মথৌ পাঙথোকপদা ফেল ওইবদগী ক্রাইমশিং মাঙজৌননা থোকহন্দবা ঙমখিদবনি অমসুং মীয়াম্বু



ঙাক শেনবা ঙমদবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রদুনা মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদা মখা তানা ভাইওলেন্স থোরকহন্নবগী মরম ওইরকখিবনি হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা মীওই অনীনা ৱাকৎলক্লে।

ৱাকৎ অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## অহেনবা সেন্ত্রেল ফোর্স কম্পনি ৫০ থারক্লগনি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি লাকশিন্নবগীদমক য়ুনিয়ন লৈঙাক্না অহেনবা সেন্ত্রেল ফোর্সকী কম্পনি ৫০ মণিপুরদা থাজিন্নবা খঙহনখ্রে হায়রি।

## হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী অনৌবা চীফ জষ্টিস

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

সুপ্রিম কোর্টকী কোলিজিয়মনা মদ্রাজ হায় কোর্টকী জজ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমারবু হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীনবগীদমক রেকমেন্দ তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌজিক হায় কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস ওইরিবা সিদার্থ ম্রিদুল থা অসিগী ২১দা থবক্তগী পোথারগদবনি।

## চীফ মিনিষ্টর রিওনা হোম মিনিষ্টর উনগদৌরি

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

য়ুনিয়ন লৈঙাক্কা সিজ ফায়র তৌনরবা মতুংদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অমা ফাওবা শেমদুনা চথরক্লিবা নাগা পোলিটিকেল দাইলোগকী খোঙজেল তপথরকপদগী এন এস সী এন-আই এমগী লুচিংবা টি ঐচ মুইভানা মহাক্কী লালহৌলূপ অসি অমুক হন্না জঙ্গলদা চৎলগনি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোরকপদগী নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর রিওনা লুচিংবা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টরশিংনা নাগা পোলিটিকেল দাইলোগকী মতাংদা হোম মিনিষ্টর উনরুনবা ঙসি নাগালেন্দ থাদোকখ্রে হায়রি।

## কোর্টনা মীওই ১ ফাদোক পীখ্রে, ১ এক্কিট তেখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

লম্ফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা জজ মোনালিসা মাইবমগী স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস) না ঙসি লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমদা কানিগা কোন্ননা ফাখিবা মীওই অনীগী মনুংদগী য়াইরিপোক সিঙ্গাদগী এম দি ফিরোজ খান (২৯) অপোকপা এম দি নিজামউদ্দিনবু মরালগী মতুংইন্না কনভিক্সন পীখিবগা লোয়ননা অন্দ্রো খুনৌদগী ফাঞ্জৌবম সোনামনি (৩৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা পি ঐচ সুরেসপুনা কেস অসিগী ৱায়েলদা মতিক চাবা ইভিদেন্স ফংদবদগী এক্কিট তৌরে হায়রি।

...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ইন্টরনেটকী অথিংবা শাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১৬তগী হৌরদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচীং, কাংপোকপী অমসুং চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা ইন্টরনেট অমসুং মোবাইল দাটা সর্ভিসশিং থিংজিল্লকখিবদু ঙসি কম্মিস্নর (হোম) না থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল পুং ৫.১৫দগী হৌরদুনা থা অসিগী ২০গী নুংথিল পুং ৫.১৫ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে।

# নুমিৎ ৫নিগী মনুংদা বি জে পিগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর উনবা ঙমদ্রবদি পার্টিদগী তোক্কদবনি : পিছ কম্মিটি ৱাঙ্খৈ

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** থা ১৮ হেল্লবা ঈরাং অসি লোইশিন প্রাইম মিনিষ্টর উনরগা লমদমসিগী ঈরাংগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাফম



দুনা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহন্নবগীদমক বি জে পিগী এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিংনা দেল্লীদা চৎতুনা খঙহনগদবনি হায়না পিছ কম্মিটি, ৱাঙ্খৈ কেন্দ্রনা বি জে পিগী এম এল এ, মিনিষ্টরশিংদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# সী এমনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকপা মীফমদা এম এল এ-মিনিষ্টর ১৮ লাকখিদ্রবসু ৱারেপ ৫ লৌখ্রে, কোকোমিনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুংথিল পুং ৬ তারকপদগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা প্রিসাইদ তৌদুনা মহাক্কী সেক্রেটরিএটতা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী হৌজিক ওইরক্লিবা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম রিভিয়ু তৌবগী মীফমদা ঙরাং মাঙজৌননা অইবা চেরোলশিং পীদুনা শরুক য়ারনবা খঙহনখ্রবসু এম এল এ-মিনিষ্টর ১৮ শরুক য়ারখিদ্রে।

অদুম ওইমক এম এল এ-মিনিষ্টর ২৭না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম্না তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ ৫ লৌখ্রে। ৱারেপশিং অদুগী মনুংদা জিরিবামদগী নুপী অঙাং ৬ হাৎখিবা, মার নুপী অমা থা অসিগী ৭তা জিরিবামদা হাৎখিবা অমসুং থা অসিগী ৯দা সাইতোনদা লৌবুক্তা নুপী অমা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা থৌদোকশিংগী কেসশিং খুদক্তা এন আই এদা খৎশিন্নগদবনি, জিরিবামগী নুপী অঙাং ৬ হাৎপদা চেন্নবা কুকি মিলিটেন্টশিং নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা 'অন-লোফুল ওর্গনাইজেশন' নি হায়না লাউথোক্কদবনি, ঙসিগী মীফম্না লৌরিবা ৱারেপশিং অসি অকক্লবা মতমগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্তুবদি এন দি এগী লেজিসলেটরশিংনা মণিপুরগী মীয়ামগা খন্নরগা মখা তাবা থবক লেপথোক্কনি, সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না অথুবা মতমদা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভম হঞ্জিলহন্নবা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎপা অমসুং এম এল এ-মিনিষ্টরশিংগী য়ুমদা এটেক তৌদুনা মৈ থাবা অমসুং পোৎ চৈ হুরানবগী থৌওং চথরকপবু মীফম অসিনা কন্দেম তৌবগা লোয়ননা হায় পৱার কম্মিটি অমনা ফংলকপশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা মরী লৈনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## জিরিবামদা পুলিসকী নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদবা অমসুং শোকখিবা ২ মশক খঙলে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ১০.৪০ রোম তারকপদা জিরিবামগী পি দল্লিয়ু দি গেষ্ট হাউসতা লৈরকখিবা পুলিসকী স্পেসল কম্মান্দো টিমগী কম্মান্দর রিটায়র্ড কর্নেল নেক্টর সঞ্জেনবমগী টিম্না কাপথোরকপা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা লৈখিদবা নহা অদু জিরিবামগী কামরঙ্গদগী খুন্দ্রাকপম অথৌবা (২৩) অপোকপা





কে ঐচ তোম্বা কৌবা মহৈরোয় অমা ওইরম্লে। অদুগা নোংমৈ মরূনা পান্দুনা শোকপদগী লায়কন্নরকখিবা মীওই অদুনা জিরিবামগী বিদ্যানগরদগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## অফস্পা থমজিল্লক্লিবসি মীয়ামগী হক মৎপনি : সী পি আই

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** সুপর স্পিসিএলাইজেশনগী মতমসিদা মণিপুরদা অফস্পা চৎনহল্লুদ্রবা পুলিস ষ্টেশন ১৯না কোনবা



মফমশিংগী মনুংদগী পুলিস ষ্টেশন ৬কী এরিয়াদা অমুক হন্না থমজিল্লক্লিবসি মীয়ামগী হক মৎপনি অমসুং দেমোক্রেসি হাৎতোকপনি হায়রদুনা সী পি আই, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা ঙসি ইম্ফালগী রুপমহল টেঙ্কতা লৈবা ইরাবত ভবনদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

খোঙজং অসিদা পার্টি অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল থোইরেলনা সী পি আইদি দেমোক্রেসি চাউথোকহন্নবা হোৎনগনি হায়বগী ৱারেপ লৌরে হায়না লাউথোকখি। মরম অসিনা ঙসিগী খোঙজং অসি ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

### এন পি এফসু লৈঙাক শৌগৎপা তোক্কদ্রা

## সেন্ত্রেল ওফিসনা লৌরকপা ফিরেপ্না অরোইবা ওইগনি : মিনিষ্টর অৱাংবৌ



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

বি জে পিনা লুচিংলক্লিবা ষ্টেট লৈঙাক্তা এম এল এ ৭ লৈরিবা এন পি পিনা ঙরাংদগী শৌগৎপা তোকখ্রবা মতুংদা লৈঙাক অসিদা শৌগৎলক্লিবা এন পি এফতি মখা তানা শৌগৎখিগদ্রা নৎত্রগা শৌগৎলরোইদ্রা হায়না পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ওইবদা নত্তনা এন পি এফকীসু মরূ ওইবা লুচিংবা অমা ওইরিবা অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখিবদা এন পি এফ অসি এন দি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## এম য়ু ম্যেন গেট মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌদুনা মোদি, অমিট শাহ অমসুং সী এমগী ইফিজি মৈ থাখ্রে



**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ১১দা জিরিবামদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাখিবা অঙাং ৩ অমসুং নুপী ৩গী হকচাংশিং মথং-মথং ফংলকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি মুসুনা জিরিবাম ষ্টুদেন্টস ফোরম (জে এস এফ) ইম্ফালগা খৃৎশন্নদুনা এম য়ুগী ম্যেন গেট মমাঙদা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# লান মনুংদা নারকপদগী ইনেম্বোক লায়েংবা ঙমদনা লৈখিদ্রে, ঐসু থম্মোয়গী লায়না নারে : চীঙ্খেময়ূম চনু

### রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী হকথেংনবা পাউদম
কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী কুকি টেররিষ্টশিংনা মীতৈদা অতম্লনা ওনশিন্দুনা তমথীরবা লান চথরকপদগী মথংগী নুমিৎ মে ৪গী অয়ূক্তগী কাংচুপ চীংখোঙগী মীয়াম্না মফম অদুদসু করি থোরক্কদগে হায়না পাখৎনরম্বদগী থৱায় হিংননবা মথং-মথং চেন্নবা হৌরকপদগী ফিরোলদি য়াম্না পুরকপা নংখিদে, শুপ্নতগী চে-চাং খরা হাপচিল্লগা টিফিনদা ইচা অনীগী চাক খরগা হাপ্লগা নুমিৎতুগী অয়ূক্কী চাক ফাওবা য়ূমদা চাবা ফংলক্তনা লাঞ্জেল্লকখিবনি হায়না কাংচুপ চীংখোঙদগী



হৌজিক্কা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী চীঙ্খেময়ূম ওংবী চনু (৩৯) মপুরোইবা চীঙ্খেময়ূম বিজেননা পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, ঐগী ইচানুপা অনীনি। ইচানুপা অহলনা ক্লাস সভেন তম্লে অদুগা ইচানুপা অতোম্বনা ক্লাস থ্রী তম্লে। লাঞ্জেল্লকখিবা নুমিৎতু মরাং-মরাং তৌবদগী য়ূমদা অয়ূক্কী চাক চাবা ফংলকখিদে। ইচা অনী পুরগা ফয়েংদা খঙনবা ইচে অমগী য়ূম তম্না চেল্লকখিবনি। অদুবু মতম খরদি অয়ূক ঙন্না হৌগৎলগা চিন-য়া শেংদোক্লগা হুন্দোক্লম্বা য়ূম অদুদা অমুক চেন্দুনা লৈরম্বা অদুগা নুমিদাংৱাইরম হেক য়ৌরকপগা অমুক চেল্লক্তুনা ফয়েংদা খঙন-চান্নবা থিদুনা নুমিদাং অমুক লেকপা অসুম্না থা অমরোম তৌরকপদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। মীগী য়ূমদা কুইনা লৈশিনবসু নুংঙাইরক্তবগী অৱাবা মায়োক্নবা হৌরকপদা ফয়েং হায় স্কুলদা রিলিফ কেম্প অমা হাংদোরকপদগী চঙশিন্দুনা লৈরকখিবনি।

হৌজিক্তি রিলিফ কেম্পতা লৈরবনিনা লৈফম চাফমগীদি খরা শাফরে। ইচা অনীগী মনুংদা অহলনা থাংমৈবন্দগী এম এল এগীদা লৈখ্রে, অতোম্বদি ঐগা লৈমিন্নরি। ইচানুপা অহলগী লাইরিক তম্বগী পোৎলূম পুন্নমক এম এল এনা য়েংশিনবীরি। ইচানুপা অতোম্বগীনা ঐনা ঙম্ন-ঙম্নবা হোৎনদুনা লৈরি। রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংনা মায়োক্নরিবা খ্বাইদগী অৱাবদি অঙাংশিংবু মতৌ করম্না মহৈ-মশীন তমহনগদগে হায়বসিনি।

রিলিফ কেম্পতা লৈরবনিনা মমা-মপা ওইবশিং শেল অমত্তা থোক্ত্রবনিনা মচাশিংনা মহৈ-মশীন তম্বগী থাগী ফী হুনবা, মীং চনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## জিরিবামগী অঙাং ৩ হাৎখিবগী মায়োক্তা কম্মিসননা ৱাকৎখ্রে

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ (ঐচএনএস) :** জিরিবামদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাদুনা পুখিবা পীক্লিবা অঙাং ৩ তেলেম থাজমানবী (৮) অপোকপা টি উত্তম, লাইশ্রম চীঙ্খেঙানবা (চহী ২ মখায়) অপোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## মীচম নুপী ৩ অমসুং অঙাং ৩ ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা তমথীবা মীহাৎতা হাৎখিবা কুকি-জো-মারশিং টেররিষ্টনি : চরাইরোংবা

**ইম্ফাল, নবেম্বর ১৮ :** থা অসিগী ১১দা জিরিবামগী বোরোবেক্রা সব দিভিজনগী মনুং চনবা জকুরাধোরগী কারোংদা হাংবা রিলিফ কেম্প অমদগী খূৎলায় পায়বা কুকি-জো-মারগী টেররিষ্টশিংনা মরাল লৈজদ্রবা মীচম নুপী ৩ অমদি অঙাং ৩ পূন্না মীওই ৬ ফাদুনা পুখ্রগা তমথীনা ওৎ নৈদুনা অমদি নুপীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লগা হাৎখিবা অসি টেররিষ্টকী খ্বাইদগী তমথীবা মচৎনি হায়না পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ), মণিপুরগী দিপার্টমেন্ট ওফ পব্লিসিটিগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর চরাইরোংবা থোকচোমনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। ...মখা লমায় ৬ কলম ১

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫